থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# তালিবানশিংগী অফঘানিস্তান

তালিবান! ৱাহৈ অসি তাদবা/খঙদবা মীওই ঙসিগী মীরোল অসিদদি লৈরমগনি থাজদে। অদুবু, নক্লবা মরুপ-মপাঙশিং, ৱারী শানবদা 'সিমদি খঙই হন্দক, মদুদি- ৱাহৈ অসি তোয়না তারবা ৱাহৈ অমা ওইরবসু- করিনো/কনানো/কমদৌনা পোকখিবনো/কনানা শেমগৎলকখিবনো/করিগী শেমগৎখিবনো... হায়বনচিংবা ৱারোলদুদি অয়াম্বনা খঙলমদে। মখোয়না হায়, মদু খঙলুবগী কান্নবা থোইনা লৈতে, তালিবান হায়বসি য়াম্না তমথীবা, শক্তি লৈবা লানহৌলুপ/তেরোরিস্ত কাঙলুপ অমনি হায়বসিমখক খঙলগা লোইরে। চুম্মী! মীচম ঐখোয়গী ওইনদি মদু পুন্নমক থিজিন্দুনা খঙননবা হোৎনরুবগী করিবুদি কান্ননি?

অদুবু, ঙসিদি তালিবানশিংগী মরমদা খরা কূপ্না খঙদ'য়াদবা তানফম অমা লাক্লবরা খন্দুনা তঙায়ফদবা ৱাফম খরা খঙমিন্ননবা ৱারেঙ অসি ইগে থৌরাংলুবনি। অহমদ রসিদ'না ইবা 'তালিবান' হায়না মিংথোনবা লাইরিক অদু পাবদা নুংঙাইবাঅমদি কান্নবা লাইরিক অমনি। থেংনরবদি অমুক্তং পাবীয়ু। ইজরিবা ৱারেঙসিদি লাইরিক্তু মশক তাক্লবা ইবা নৎচদে। মখোয়গী পুৱারী হাংদোকচরল্লোই।

'তালিবান' হায়বা ৱাহৈসি 'পাসতুন' হায়বা মীওই কাঙলুপ, মরুওইনা সেন্ট্রেল অমদি সাউথ এসিয়াগী লৈপাকশিংদা চোইনা-চোইনা তাবা কাঙবু অদুনা লোনবা 'পাস্তো লোন'গী ৱাহৈ অমনি। 'মহৈরোয়' (ষ্টুদেন্ত) হায়বনি। মীশিং খ্বাইদই য়াম্না তাবা লম, 'পাকিস্তান'নি। ধর্ম্মগী মরমদা অখন্ননা তম্বা মহৈরোয়শিং অদুবু 'তালিব' কৌই। পাকিস্তানগী ইস্লামিক স্কুলশিং অমদি উজবেকিস্থান-তাজিকিস্থানলোমগী স্কুলশিংদা তম্লকপা পাসতুন-মহৈরোয়শিংদুনা অফঘানিস্তানগী খা-নোংপোকথংবদা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্টশিংদুদা ১৯৯৪দা অকনবা ঈহৌ অমা শাগৎলকখি। 'মুল্লাহ মহম্মদ ওমর'না সেপ্তেম্বর ১৯৯৪দা, সুপ্নগী মহৈরোয় ৫০গা লোয়ননা 'কন্দহার'দা 'তালিবান' হায়না মিংথোনবা লূপ অসি লীংখৎখি। চহী কয়া লান শোক্লদুনা 'অফঘানিস্তান'দা কম্যুনিষ্ট-লৈঙাক লোইশিনখ্রবা মতুংদসু 'ইসলামিক লো' (সরিয়ৎ) চৎনহনবা ঙমদবগীদমক নিংদোল পোল্লিবা 'মুল্লাহ মহম্মদ ওমরনি'। থা খরগী মনুংদা লূপ'তুগী মেম্বর মশীং ১৫,০০০ দা হেনগৎলকখি। সোভিয়েতকী মথক্তা লান হৌরিবা অফঘানশিংগী পাঙ্গল থৌনা হাপ্পনবা, অমেরিকান গভর্ণমেন্ট'না ইসলামিক লো অমদি ফিদমশিংগী মরমদা ইবা স্কুলদা তম্নবা লাইরিকশিং ফোঙননবা য়াম্লবা শেনফম মতেং ওইনা পীখি। লাইরিকশিং অদুদা লানগী অনৌবা খুৎলায়শিং- বোম-তোপ-নোংমৈনচিংবগী অয়েকপা লাই/ফোতোনচিংবা হাপচিনগনি। অদুগী মথক্তা নোংমৈশিংদু পায়বা লাম্নীশিংগী ফোতোসু হাপচিন্দুনা মীরৈবাক্কী লাম্নীশিংগা মায়োক্লনবা, মরমদমগী লাম্নী ওইনিংবগী ইথিল পীননবা হোৎনগনি। ইংলিস লোনদা ইবা লাইরিকশিংদু লোকল-লেঙ্গুয়েজ কয়ামরুমদা ফোঙননবা শেন্থংসু পীগনি। থৌরাং অদু কয়ামুক চাউনা মায় পাকখিবগে হায়ববু পীক্লিবা, নৌরিবা অঙাংশিংদুনা লাইরিক্তা য়াওবা নোংমৈ পায়বা সিফায়/লাম্নীশিংদুগী মমায়দুদা মশা-মশাগী ফোতো নপশিন্দুনা-লাম্নী অদু মশামক্লি খঞ্জবগী ইথিল অদু ফাওবা পীবা ঙমখিবনি। তপ্না তপ্না মহৈগী থাক ৱাংখৎলকপগা, অহকপা মুসলিম-লো ময়ামদু নত্তবা অতৈ অমা তম্বীরোই। মীরৈবাকশিংনা লান্দারক্লিবদু মুসলিমশিংগী ৱাংলবা ফিদম অদু মাঙহন্নবনি, মখোয়না লাম্নী ওইদৌরিবদু 'অল্লাহ'বু ঙাক শেন্নবনি, অল্লাহগীদমক থৱায় কৎপা ঙম্ব'দি খ্বাইদই ফবা মপোকনি... হায়বা ৱাখলসি মকোক্তুদা চামথোকপা ঙম্লরোইদবা মচু ওইনা শঙশিল্লক্কনি।

অমেরিকাগা অফবা মরী লৈনরম্বা পাকিস্তান'না মতমদুদা, মখোয়না হায়বা ইনগদবা লৈঙাক অমা অফঘানিস্তান'দা লৈহনবা পামখি। মদু তাননবা পাকিস্তান'না 'মুল্লাহ ওমর'বু মওং কয়াদা শৌগৎখি। চহী কুন চুপ্পা মচী মচীদা লেপ্তুনা শোক্লরকপা লান মচা মচাদুনা অফঘানিস্তানবু তোরা তূনা মাঙ তাকহল্লবা মতুংদা ১৯৯৬দদি 'তালিবান'শিংনা অফঘানিস্তানগী শরুক অহুম থোকপগী অনী খুদুম চনশিন্দুনা 'তালিবান-লৈঙাক' লীংলকখি। ইস্লামিক ইমিরেত ওফ অফঘানিস্তান হায়না খঙনরকখি। সরিয়া লো হায়না খঙনবা মুসলিমশিংগী অহকপা আইন... 'মরাল লৈরবা মীহাৎপশিং, লমচৎ কাম্বা নুপা-নুপীশিংবু মীয়াম মাঙদা পুথোক্তুনা হাৎপা (মঙক কক্তুনা নৎত্রগা নুঙনা থোমদুনা), মীগী মপোৎ মরল হুরুবা মীগী মখুৎ ককথৎপা... নুপাশিংনা মকোই খাকপা, নুপীশিংনা চখোকপদা মশাপুম্বা অমুবা ফিনা কুপশিনবা, নুপীশিংবু মহৈ-মশিন তমহন্দবা, মীয়াম তিনবদা য়াওহন্দবা... জগোয়-ঈশৈ-হরাও তয়াম থৌরম পাঙথোকপা য়াহন্দবা'... অসিনচিংবা চৎনহল্লকখি। মালেমগী লৈপাক পুন্নমক্লা তৌবা আপিল থওইদনা, ২০০১দা মিতর ৫৫ ৱাংবা চীংমায়দা শাবা চহী ১৪০০ রোম শুরবা বামিয়ান বুদ্ধগী মিতম থুগায়দুনা মাঙহনখি।

১৯৭৮, সোভিয়েত'কা লান্থেংনরিবা 'মুজহিদীন' (ইসলাম লাইনিংগীদমক মপুন্সি কখোল্লবা)শিংগী মতেং পাংনবা, মহৈ তম্বা তোকথোকখিবা সাউদি অরাবিয়ন বিজিনেসমেন 'ওসমা বিন লাদেন'না ১৯৮৮দা লীংখৎখিবা 'অল-কয়দা' (য়ূমফম) কৌবা লূপ অদুনসু 'তালিবান'শিংদা খুৎশু খুৎলায় অমদি শেলগী মতেং পীখি। ১৯৯৬, তালিবান'না অফঘানিস্তান লৌশিল্লবা তুংদদি মরুপ ওইরম্বা অমেরিকা মখোয়গী য়েক্লবা ওইরকখি। অমেরিকাগা মরী তৎনবা ঙমদ্রবা 'সাউদি অরাবিয়া'না 'বিন লাদেন'বু লৈপাক্তুদগী তান্থোরকখি। 'সুদান'দা মতম খা লৈরুরগা, অল-কয়দা'গী মরুওইবা ওপরেসনেল হেদ-ক্বার্তর অফঘানিস্তান'দা শেমগৎলকখি। অমেরিকা অমসুং মহাক্কা নক্লবা লৈপাকশিং তালিবান অমসুং অল-কয়দা'গী য়েক্লবা ওইনা লৌরকখি। মালেমগী সহর কয়াদা অকি-অখঙ-পোকহনবা-থবক (তেররিষ্ট এক্তিভিটি) কয়া চখদুনা অল-কয়দা'না তৌবা ঙম্বদু উখোক্লুরবা মতুংদা, অৱাংবা অমেরিকাগী নাপন থুদেক্লবনি হায়দুনা, নিউ-য়োর্ক সহরদা লৈবা ৱর্ল্ড ত্রেদ সেন্টরগী ত্বিন তাৱর (অৱাংবা বিল্ডিং অনী) ২০০১, সেপ্টেম্বর ১১দা উফুল তানা থুগায়খি। অমেরিকান প্রসিদেন্ট 'জিওর্জ বুশ'না সেপ্টেম্বর ১২দা ৱাহৈ অহুমখক্কী মতেংনা মহাক্কী অশাউবা ফোঙদোরকখি... 'অমেরিকাবু অসুম্না শাউহনগনু'...। তমথীরবা এত্তেক অদুদা লৈখিদ্রবা থৱায়শিংদুগী মফমদা ঈকায়খুম্নবা উৎপগী/অৱাবা ফোঙবা থৌরমশিং পাঙথোক্লবা ফাওবা লোইনদ্রিবঙৈ, লৈপাক কয়া/ঈপাক কয়া লান্দুনা পাইরক্লগা অমেরিকা'না অফঘানিস্তানদা, ২০০১ ওক্টোবর থাদা লান্দাখি। অল-কয়দাগী মকোন থুগায়খি। তালিবান লৈঙাক লোইশিনখি। অমেরিকা'না লুচিংবা 'নোর্থ অতলান্তিক ত্রিতি ওর্গনাইজেসন' (নেতো) লৈপাকশিংগী লাম্নীশিংনা ঙাক শেন্দুনা অনৌবা অফঘানিস্তান অমগী যূম্ফম থোন্নবা হোৎনরকখি, অফঘান-লাম্নী শেমগৎলকখি। মফম খঙদ' লোৎখ্রবা 'বিন-লাদেন', চহী তরারোমগী মতুংদা, ২০১১ মে তারিখ ২, পাকিস্তান আর্মি হেদ-ক্বার্তর মনাক্তগী ঈরাপ লাপ্পদবা মফম অমদা, অব্বোতবাদ সহর'দা অমেরিকান নেভি সিলগী কম্মান্দোশিংনা কাপ্তুনা হাৎলগা, অশিবা হকচাং অদু মফম খঙদবা সমুদ্র-ঈপাক অমগী লৈনুংদা ফুমজিনখি।

ঙসিদি, অমেরিকান অমদি নেতো-কন্ত্রি এদমিনিষ্ট্রেসন'না মখোয়গী লাম্নীশিং ২০২১ ওগষ্ট ৩১ ফাওবগী মনুংদা লৌথোক্লগনি লাউথোকখিবদগী ঙসিদি অফঘানিস্তান, অমুক হন্না তালিবানশিংগী খুৎতা তাখরে, নোংমৈ মরূ অমা ফাওবা কাপ্পখিদনা। অমেরিকানদি মসি খঙই। ত্রিল্লিয়ন দোল্লার কয়া চঙনা শেমগৎখিবা অফঘান ফোর্স, তালিবান-আর্মিগী মপাঙ্গল হাপ্লুবগা মান্নরল্লে, মখোয় মপুকচেল শেংলমদ্রে অমেরিকানা হায়। দিফেন্স এক্সপেন্দিচর পুন্নমক অমেরিকা'না পুই হায়বা খঙবদগী, অফঘান আর্মি চামখক লৈবা চহুম লৈ হায়জীল্লম্মী- নোংমৈ অমদি খুৎলায় মশীং হেন্নবা, তলবকী শেনফম হেন্না ফংনবা।

লৈঙাক পায়বা হৌদ্রিঙৈ, ৱাথোক পরেং লেংলবা অনৌবা তালিবানগী অফঘান লৈঙাক য়েংবা নুংঙাইবা কুন্ধে অমা ওইরনি।

---

লৌশিং পুক্কে

# নুপাশিংগী সেক্স্যুএল হেল্থ

## মসি তরাইনা লৌবা য়াদে, খঙবা মথৌ তাবশিং - ১



য়ুম্বান মরী থম্নবগী ৱাফম অসি অচোপ-অরেং ওইনা মতম পুম্নমক্তা খন্নদুনা লাক্লি অমদি মীয়াম্না মশাগী সেক্স্যুএলিটিগী মতাংদা ফোংনা ৱারী শানবা পাম্নদে।

হৌজিক হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা পেন্দমিক অসিনা মেন্টল হেল্থ খক শোকহনবদা নত্তনা তোঙান তোঙানবা মীওইশিংদা লৈরম্বা সেক্স্যুএল হেল্থকী খুদোংচাদবশিংগী ফিভমবুসু হেন্না শোকচিনহল্লে। মসিগী মরুওইবা মরমশিংগী মনুংদা অমা হায়রগদি শিনফম, থবক অমসুং পুন্সিগী বেলেন্স, শেল থুমগী খুদোংচাদবশিং অমদি অতোপ্পা মীওইশিংগা সোসিএলাইজেসন ৱাৎলকপা অমসুং লৈনরম্বা মরীদা নুংঙাইতবা থোকপনচিংবা ফেক্টরশিংনা মরম ওইরগা ষ্ট্রেস লৈবা হেনগৎলকপা অসিসুনি। ষ্ট্রেসনা হোর্মোনশিংদা হকথেংননা এফেক্ট তৌই অমদি মীওই অমদা ফাওগদবা য়ুম্বান মরী থম্নিংবা পোকপগী অপাম্বা অদু মাঙহনখি মসিদগী মপাঙ ওইরিবা মীশক অনী অদুগী নুংঙাইনা লেনগদবা মতম অদুদা শোকহল্লকই। মসিনা মীওই অমবু মৈখু শীজিন্নবা নৎত্রগা য়ু থকপনচিংবদা হৈনহল্লকপসু য়াই, মসিদগীসু অমুক সেক্স্যুএল পর্ফোমেন্সতা অকায়বা লাকহনবা য়াই। হায়রিবশিং অসিনা প্রিমেচ্যুর ইজাকুলেসন, ইরেক্টাইল দিসফঙ্কসন, য়ুম্বান মরী থম্নিংবগী অপাম্বা পোকপগী চাং হন্থরকপা অমদি নুপাগী ফর্টিলিটিনচিংবগা মরী লৈনবা খুদোংচাদবশিং লাকহনবা য়াই। নুপা অমা হায়বসি ফিজিকেল, মেন্টেল অমদি স্পিরিচ্যুএলগী ওইবা লমদা মপাঙ্গল কন্না লৈগদবনি। য়ুম্বান পুন্সি খল কায়হন্দনা থম্বনা মীওই অমবু অফবা মরী লৈনহনবা, প্লান্দ প্রেগ্নেন্সি অমদি লায়না-তিলনাশিংদগী ঙাকথোকপা ঙম্বনচিংবা পুন্সি অমা ওইহনবা ঙমই। মরম অদুনা সেক্সুএল হেল্থকী মচাক খুদিংমক্কী মরমদা অমদি মপুঙ ফাবা য়ুম্বান পুন্সি অমা ফংনবগীদমক করি মথৌ তাবগে হায়বগী মতাংদা নীংথিনা খঙবা হায়বসি তঙাইফদবা অমনি।

কুমজা ২০১৭তা টুলেন য়ুনিভর্সিটি স্কুল ওফ মেদিসিন, ন্যু ওর্লিন্সকী দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুরোলোজিনা চখখিবা ষ্টদি অমগী মতুংইন্না ইন্দিয়াদা লৈবা চহী কাঙলুপ খুদিংমক্কী নুপাশিং চাদা ২০ দি ইরেক্টাইল দিসফঙ্কসনগী খুদোংচাদবা মায়োক্লে, অদুগা হায়রিবশিং অদুগী মনুংদা চাদা ৩০দি চহী ৪০ শুদ্রিবা নুপাশিংনি হায়রি। অয়াম্বা মতমদা মসি লায়েংলগা ফহনবা য়াবা মরম অমনা থোকহনবা ওইগল্লি। অদুবু নুপাশিংনা মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবা অদুবু মশানা য়াজবগা লোয়ননা মতেং লৌনবা হোৎনবদা ইকাইবা থাদোকপা ঙমদ্রিমখৈদি মদু ফহনবা হায়বসি ওইথোক্তে।

**ইরেক্টাইল দিসফঙ্কসন হায়বসি করিনো?**

ইম্পোটেন্স (নপুংশক) হায়রগসু খঙনবা ইরেক্টাইল দিসফঙ্কসন (ঈ দি) হায়বসি য়ুম্বান মরী থম্নরিঙৈ মনুংদা নুপা অমনা ইরেক্সন মেন্টেন তৌবা ঙমদবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লবগী ফিভম অমনি। মসি নুপাশিংদা মীয়ায় চল্লবা, অহল ওইরবা অমদি নহা ওইরিবা মীরোলদা ফাওবা শোকহনবা খ্বাইদগী কম্মন ওইবা হকশেলগী ওইবা খুদোংচাদবশিংগী মনুংদা অমনি। হায়রিবা হকশেলগী ওইবা খুদোংচাদবা অসি চহী কয়া লায়েংথোক্তনা থম্লবনা নুপা অয়াম্বনা ঈ দি মেনেজমেন্টকী নৌনা থোরক্লিবা কন্সেপ্টশিং অমদি অফবা থেরাপিশিংগী মতাংদা খঙনদে। ঈ দিগী খুদোংচাদবা ফহনগে হায়রগদি, ফোংনা থোরক্তুনা দোক্টরদা ইশাগী খুদোংচাদবা অদুগী মতাংদা ৱারী শাদোকপা হায়বা অসিনা খ্বাইদগী ইহান হানবা খোঙথাংনি। মরমদি দোক্টর অদুনা পুন্সি মরেলদা হোংদোক-হোংজিন তৌবা, হীদাক-লাংথকশিং থাবা অমদি সর্জরি তৌবনচিংবা মথৌ তাবা চানবা লায়েংশিং প্রিস্ক্রাইব তৌরক্কনি।

**করিনা ইরেক্টাইল দিসফঙ্কসন তৌরকহনবা ঙম্বগে?**

মেদিকেল কন্দিসনশিং খুদম ওইনা, হাইপরটেন্সন, দাইবিটিজ মেল্লিটস, কার্দিওভাস্কুলর দিজিজ (সী ভি দি), অমদি সাইকোলোজিকেল কন্দিসনশিং খুদম ওইনা দিপ্রেসন অমসুং এঞ্জাইটিনচিংবনা নুপাশিংদা সেক্স্যুএল দিসফঙ্কসন তৌহনবদা মতেং পাংশিল্লি। সী ভি দি অমসুং হাইপরটেন্সননা আর্টরিশিংবু খূজিলহনবা অমদি কনশিলহনবা তৌই, মসিনা ইরেক্সন তৌহনবগীদমক তঙাইফদনা মথৌ তারিবা ঈগী ঈচেলশিং কোর্পোরল বোদি(ফিনুংগী কয়াৎতা য়াওবা টিস্যু) শিংদা নীংথিনা য়ৌহল্লক্তে। দাইবিটিজ হায়বসি সেক্স্যুএল দিসফঙ্কসন তৌহন্নবগী কম্মন ওইবা মরম অমনি মরমদি লায়না অসিনা ব্লদ ভেসেলশিং অমদি পিনিসতা ঈ সপ্লাই তৌরিবা নর্ভসশিংদা এফেক্ট তৌই। ফত্তবা পুন্সি মরেলগী হৈনবীশিং খুদম ওইনা ওবেসিটি, মৈখু শীজিন্নবা, য়ু থকপা হায়রিবশিং অসি ইরেক্টাইল দিসফঙ্কসন তৌহল্লকপগা মরী লৈনৈ।

**ইরেক্টাইল দিসফঙ্কসন তৌহন্নবা মরম অমদি মচাকশিং**

নুপাগী ফিনুংগী কয়াৎতা ঈগী ঈচেল নীংথিনা য়ৌদবা - হকশেলগী খুদোংচাদবা কয়ানা নুপাগী ফিনুংগী কয়াৎতা ঈগী ঈচেল হন্থহনবা ঙমই, খুদম ওইনা আর্টরিশিং কনশীল্লকপা, হার্ট দিজিজ, ব্লদ সুগর ৱাংবা (দাইবিটিজ), মৈখু অমদি য়ু শীজিন্নবা।

ইরেক্সন তৌরিঙৈদা নুপাগী ফিনুংগী কয়াৎনা ঈ ফাজিন্দুনা থম্বা ঙমদবা - নুপাগী ফিনুংগী কয়াৎতা ঈ লেঙদনা লৈবা ওইদ্রগদি নুপা অদুনা ইরেক্সন তৌহন্দুনা থম্বা ঙম্লোই। খুদোংচাদবা অসি চহী তাঙ্কক খুদিংমক্তা থেংনবা য়াই।

ব্রেন নৎত্রগা স্পাইনেল কোর্দতগী নর্ভ সিগনেলশিং নুপাগী ফিনুংগী কয়াৎতা য়ৌদবা - ফিনুংগী কয়াৎকী এরিয়াদা অকক্লবা লায়নাশিং, অশোক-অপন নৎত্রগা সর্জরি তৌবনা ফিনুংগী কয়াৎকী নর্ভশিং শোকহনবা য়াই।

দাইবিটিজনা ফিনুংগী কয়াৎতা স্মোল ভেসেল দিজিজ নৎত্রগা নর্ভ দেমেজ তৌহনবা য়াই - মতম খরা সুগর লেভেল ৱাংলগা লৈবনা ফিনুংগী কয়াৎতা ঈ সপ্লাই তৌরিবা য়াওনা ব্লদ ভেসেলশিং অমদি নর্ভশিং মাঙ তাকহনবা য়াই।

কময়া মনাক্তা কেন্সর ট্রিটমেন্ট তৌবনা পিনিস ফঙ্কসনেলিটিদা এফেক্ট তৌবা য়াই - পুককী মখা থংবা শরুক্তা নৎত্রগা কময়াদা কেন্সরগী সর্জরি নৎত্রগা রেদিএসন শীজিন্নবনা ঈ দি তৌহনবা য়াই। প্রোষ্টেট, কোলোন-রেক্টেল নৎত্রগা ব্লাদর কেন্সরগী লায়েং চখবনা নুপাশিংবু ঈ দি তৌহনগল্লি। কেন্সর নারুবদগী ফরক্লবা মীওইশিংনা সেক্স্যুল হেল্থকা মরী লৈননা য়ুরোলোজিষ্ট তানগদবনি।

অতোপ্পা হকশেলগী খুদোংচাদবশিং লায়েংবদা শীজিন্নবা দ্রগশিংনসু ইরেক্সনদা শোকহনবা য়াই - পেসেন্টশিংনা দ্রগ সাইদ ইফেক্টশিংগী মতাংদা প্রাইমরি ক্যের দোক্টরগা তানগদবনি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

---

মমি ৱারী

## থৱান







শিনফম হায়বসি কনানা কনাদা পীগদবনো, ইশাগী অপাম্বগা শিনফমগা কদায় ফাওবা লাপ্পবা নৎত্রগা কদায়ফাওবা নক্লবা য়াই। অপাম্বা, অৱাবা অমসুং মতম তোৎশিন্নিরি।

---

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

# মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি


## শুপ্নগী গাড়ি হেনগৎনবগী ৱাহৌদা মী ফাওবা হাৎনরবদি তুংদা খুন্নাই অসি করি ওইরক্কনি



মণিপুরগী তম্পাক লমদমদা থোকপা য়াম্না থম্মোয় শোকপা থৌদোক অমা হায়বা তারগদি গাড়ি হেনগৎনবগী ৱাহৌদা মী হাৎনবা অসিনি হায়বদা হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মসিনা তাকপদি করিসু নৎত্তবা ৱাফমদা মী হাৎপা য়াম্না লাইরে হায়বনি। অয়াম্বনা নোংমৈনা কাপ্পগা হাৎখিবা থৌদোক্লা অয়াম্বনি। লাইসেন্স গন পায়রিবসি গাড়ি হেনগৎখিবা মীদা কাপ্পবগুম পায়বা নোংমৈগা চপ হেক মান্নরে। তশেংনা ৱাখল খন্থবা ঙমদবা মীনা নোংমৈ পায়বদগী থোকপা থৌদোকনি। অদোম্না করিসু নৎত্তবা ৱাফমদা মী হাৎপগী থৌনা অদুনা ইমা লৈবাক্কীদমক য়াইফনবা থবকশিংদা অদুগুম্বা থৌনা ফনা থবক তৌরবদি মীয়াম্না অপেনবা পোকপগা লোয়ননা ঙকশমদা লৈ হুক্কদবনি। অদুবু শুপ্নগী লম্বীদা গাড়ি হেনগৎপগীদমক নোংমৈনা মী কাপ্তুনা হাৎপগী থৌওং অদুদি মীয়াম্না তশেংনা তুকৎচনিংঙাই ওইবা থৌওংনি। নরাল অদুগী মতুংইন্না জেলদসু লৈগনি হায়বসি লমদম অসিগী লাইসেন্স গন পায়বা শেঞ্জাও পায়বা মীবু মী ওইনা উদবা মীশিংনা কাউবিদবা ফৈ। ঐখোয় মণিপুর ইমা অমত্তগী মচানি। গাড়িনা মী তক্লবা ফাওবা খুৎ থানদ্রিবনি। লোগী মতুংইন্না থবক পায়খৎলিবনি। মরম অদুনা লমদম অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্লা করিসু লৈতবা থৌদোক অমগীদমক অনীংবা-অপাম্বা হেক পাঙথোকপদি নোংথক্তা তিন শিৎলগা ইমায়দা তারকপা হায়বদু ওইগনি।

❒ সোরোখাইবম ওজিৎ, লমদিং

## মমাংঙৈদা খুঙ্গংলোন অমদি পুয়াগী ৱারীদা মশেক-মঙাল লৈরম্বা মোইরাং ঙসিদি মুৎশিল্লক্লে



মোইরাং হায়বা লমদম অসি কংলৈরোলগা শাগোন্নরক্লবা ইপা-ইপু হাক্ততগী পুৱারী কয়াগী হৌরকফম ওইরিবা মফমনি। লাইগী হাক্ততগী নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতম ফাওবদা মোইরাং হায়বা লমদম অসি মণিপুর পুম্বগী ওইনদি তোপ-তোপ্পা মগুন অমা লৈরিবনি। লোক্তাক ইমানা কোনবিরিবা মফম অমনি। অদুমকপু হৌজিক্তি, মমাংঙৈগী খুঙ্গংলোন অমদি পুয়াগী ৱারীদা মোইরাং হায়না মশেক-মঙাল লৈরম্বা অদু তপ্না-তপ্না মুৎশিল্লকপগুম তৌরি। মোইরাংগী য়াম্না মরুওইবা লম্বী মোইরাং লমখায়দগীনা মোইরাং বাজারদা ওইরিবা ফীভম অসি অদুক্কী মতিক ফীভম শোক্লে। মরম অসিনা মরি লৈনবা দিপার্টমেন্টনা মীৎয়েং চঙহন্নিংই। নৎত্রবদি এক্সিদেন্ট য়াম্না থোক্কনবা মফম ওইরকপা য়ানা লৈরে। নোং হেক চুরকপগা লৈখোম্না চৎপা য়াদবা, নুংশা হেক শারগনা উফুলনা লম্বী ফাওবা চৎপা উনদ্রে। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা লম্বী চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা মীওইশিংদদি অসুক্কী মতিক অৱাবা অমদি খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহল্লে। লোয়ননা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা মায়কৈ অসোমদা লৈরিবা মীয়ামশিং খম থেংনা ৱানরে। মরি লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা অমদি লৈঙাক্লসু অৱাবশিং অসি কোকপা ঙম্নবা থবক থৌরমশিং পায়খৎপীয়ু হায়জরি। লৈবাক্কী অফবা থবক তৌরকপা মীওইশিংবু ইবুধৌ থাংজিংনা চানবিবা ওইরসনু হায়নসু মোইরাং মীয়ামগী মীহুৎ শিঞ্জদুনা ইবুধৌগী মফমদা থৌনিজরি। ফজরবা চৎনবী অমদি কংলৈরোল মাঙশিল্লক্লিবা অসি তশেংনা য়াম্না লাইবক থীবা থৌদোক অমনি। মীয়াম্নসু ইশাগী লৈজরিবা চৎন-কাংলোনশিং ঙাক্লা চৎনবা হোৎনমিন্নসি।

❒ রেকি মায়ৱম, মোইরাং বাজার

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নৎত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

---

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৭।০৮।২০২১ ইং, ইরাই,
থৱানগী ২০ নি পানবা।

মেষ: হরাওবা, নুংঙাইবা, মীচঙ হেনগৎপা, লৌশিং চাওখৎপা অমদি ৱানোম থৌনোম কান্নবা নুমীৎনি। ঙাং-শকপদসু পর্কচৈ,অরং-অরাক ফংবৈ নুংঙাইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্লিং নুংঙাইজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

বৃষ: ঙসিসু পুক্লিং খরা লাঙবা, মীয়াম লোয়নরগা পেঞ্জবা অমদি হকচাং নুংঙাইজবা নুমীৎনি। হৈবা শিংবা তান্নরদি অচানবা কায়ননি, হুরানবদৈ চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরীদি ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন: লন চঙগনি, অনৌবা থৌরম পাঙবসু মায় পাক্কনি অমদি ইচঙ থৌবৈ কান্নবা ঙসিসু ফংজগনি। মীয়ামগা লোয়ননা থৌপাংবা কান্নগনি, নচা-ননাই ফংজৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

কর্কট: নীংবা থুংগনি, হকচাং নুংঙাইগনি অমদি নক্লবশিংগা অরুবা ৱাতান্নবা য়ারগনি। অদুবু অশাওবনা নরল মাঙহঞ্জবা অমদি হন্থবনা মাঙহনবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফরনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

সিংহ: খুরৌ থাংবা কোকচগনি, লৌশিং চাওবা মীগী মতেং ফংগনি অমদি অচুম্বনা লাকচগদবা নুমীৎনি। হোয়া ফগনু অমদি শকখঙদবনা ইনশিনবা লৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মীৱা থাজগনু, মাঙজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।

কন্যা: হরাওবা-নুংঙাইবা, লাইগুরুনা চানবীবা অমদি লন চঙবা নুমীৎনি। অদুবু ঙক কল্লবা অমদি অচুম অরান থিদ্রদি লনদি চৎকনি। মীনৌদগী চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।

তুলা: নীংজবা ফংগনি, অরুবা থবকসু লায়না পাঙগনি অমদি অকিবা লৈতনা থৌনা-লিংজেল ফুদোকপনা চাওনা কান্নবা ফংগনি। লেঙদবা লন ফংজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃশ্চিক: নীংবা থুংগনি, ওজা-গুরুনা চানবীগনি অমদি খুরৌ থাংলম্বা কোকচদুনা নুংঙাইজগনি। পাংঙমদবা থবকসু পাঙগনি, অরং-অরাক লৌশিনবা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

ধনু: হোয়া ফবনা মতম মাঙদুনা তোক্কনি অমদি লৌশিং ৱাৎপনা পুক্লিং ৱাবা নত্রগা হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা লৈগনি। পাউদি নুংঙাইবা তাই, পল্লম্বা শেল ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম।

মকর: অনীংবা থবক, নচা-ননাই মরম অমদি মীয়ামগী মতেং পাম্বদা কান্নবা শোয়দনা ফংগদবা নুমীৎনি। অনম তানবা অমদি ৱারেপ লৌবদি য়ারোই।
লৈশা পাখংশিংগী- কান্নবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

কুম্ভ: মরম চানা থৌপাংলদি শোয়দনা নীংবা থুংগনি, চোপ্পা-ইকায়বা নংবা য়াবা লৈরম্বা কোকচৈ অমদি অনৌবা আশা লাকপা নুমীৎনি। অশাওবনদি তাথিরি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা খরদি থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

মিন: য়েৎনবদি ঙমগনি অমদি থিবা হুম্বা কনবৈ কান্নবা ফংজৌ হায়বা লৈ। অদুবু ৱা য়াম্না ঙাংলদি চোপ্পা য়াবাঅমদি হোয়া ফবনা নরল ময়েং তাবা লৈরবা য়াই।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্লিং ফাথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/অশংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।